# মিসাইল চাংয়েং ফেল ওইখিবদগী নোর্থ কোরিয়ানা ফোর্স উৎপা ঙমখিদ্রে



সিওল, এপ্রিল ১৬ : নোর্থ কোরিয়ানা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মিসাইল চাংয়েং অমা মায় পাকখিদ্রে হায়না য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স ওফিসলশিংনা হায়রি।

মিসাইল লোঞ্চ অদু কিম জোং-উনগী রেজিমনা মসিগী খ্বাইদগী মরু ওইনা লৌরিবা নুমিৎতা অনৌবা মিসাইল অমসুং লোঞ্চর কয়া উৎখিবা মতুং নোংমা লৈরগা পাঙথোকখিবনি।

সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি মদুদি, মিসাইল থাগৎপগী থবক্তু নোর্থ কোরিয়াগী নোংপোক থংবা লমদমগী পোর্ট সিটি সিনপোদা পাঙথোকখি। মফমদুমক্তদা থা অসিগী অঙনবদা বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েং অমসু পাঙথোকখি। মদুদা প্রোজেক্টাইল অদু ইষ্ট সি হায়নসু খঙনবা সি ওফ জপানদা তাশিনখিবনি।

নোর্থ কোরিয়নশিংনা সিনপো সিপয়ার্দপু মখোয়গী সবমেরিনগা মরী লৈনবা থবক্তা শিজিন্নৈ অমসুং য়ু এসকী সেট্টলাইটশিংনা এপ্রিলদা মফমদুদা এক্টিভিটি হেনগৎলকপগী মওং উবা ফংখি হায়না য়ু এসকী ওফিসল অমনা মমাঙগী চাংয়েং মতমদুদা ফোঙদোকখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা করম্বা মখলগী মিসাইল শিজিন্নখিবগে হায়বদু লেপথোক্লনবা সাউথ কোরিয়ন অমসুং য়ু এসকী ইন্টলিজেন্স ওফিসলশিংনা হোৎনরি, তৌইগুম্বসুং অহানবগী রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না মদু মিদিয়ম-রেঞ্জ মিসাইল অমা ওইবা য়াই হায়না হ্বাইট হাউসকী ফোরন পোলিসী এদভাইজরনা হায়রি।

হান্না লেপখিবা খোঙচৎ অমগী শরুক ওইনা লমদম অদুদা লৈরিবা য়ু এসকী ভাইস-প্রসিদেন্ট মাইক পেনসতা লোঞ্চতুগী মতাংদা ব্রীফ তৌখি হায়রি। ভাইস-প্রসিদেন্টকী তেংবাঙলোয়শিংগী মতুং ইন্না পেন্স অমসুং প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী মরক্তা পাউ ফাওনরি।

'প্রসিদেন্ট অমসুং মহাক্কী মিলিটরি টিমনা নোর্থ কোরিয়ানা খ্বাইদগী ইনৌ নৌনা পাঙথোকখিবা মায় পাকখিদবা মিসাইল চাংয়েং অদু খঙই। মসিদা প্রসিদেন্টকী মখা তাবা কম্মেন্ট লৈতে' হায়না য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি জেমস মাটিসনা হায়খি।

সিওলদা পাঙথোকপা ফেলোসিপ মিল অমদা য়ু এসকী সার্ভিস মেম্বরশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংশিংদা ৱা ঙাঙল্লদুনা পেন্সনা মালেমগী ওইনা অচৌবা শিংনবগী মতম লাক্লে হায়খি। সাউথ কোরিয়াগী থৌনা ফরবা মীয়ামগা পুৱারীদা লৈহৌরগদবা মওংদা অমেরিকানশিংগা শেল্লিবা এলাইঅন্স অসি মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংদা চেৎলে, নখোয়গী মতেং অমসুং শেন্বীবা মপুগী মতেংগা লোয়ননা পেনিন্সুলা অসিদা মতম চুপ্পদা নিংতম্বা লৈগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

নোর্থকী মায় পাকখিদ্রবা মিসাইল চাংয়েং অদুগা মরী লৈননা সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। 'কোরিয়ন পেনিন্সুলা অমসুং ইন্টরনেসনল সোসাইটিদা লাক্লিবা অচৌবা থ্রেট অসি ঐখোয়না কন্দেম তৌই' হায়না সাউথ কোরিয়ন ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল অমনা হায়খি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী মিসাইল চাংয়েং অদুগী মতুং তারকপদা ন্যুক্লিয়র টেষ্ট নৎত্রগা আই সি বি এম লোঞ্চ অমা লাকপা তারবদি নোর্থ কোরিয়ন ওথোরিটিনা খাংবা ঊল্লরোইদবা অচৌবা চৈরাক শোয়দনা ফংহনগনি হায়না সাউথ কোরিয়ন ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল চাংয়েংগী খোঙথাং অসি কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা টেন্সন হেনগৎলক্লিঙৈদা থাংলক্লিবনি।

## চাইনানা পাকিস্তানদা অহুমশুবা মরিটাইম পেট্রোল সিপ শীন্নখ্রে

বৈজিং, এপ্রিল ১৬ : চাইনানা পাকিস্তানদা লৈবাক অসিগী ঈশিংগা মরী লৈনবা পোৎশকশিং ঙাক শেন্নবা টন ৬০০ কী পেট্রোল সিপ অমা খুৎশিন্নখ্রে। লৈবাক অনীনা সি পি ঈ সি প্রোজেক্ট পায়খৎনবা কন্না হোৎনমিন্নরকপগা চাননা চাইনানা পাকিস্তানদা পেট্রোলসিপ অদু শীন্নখিবনি।

গুৱাংদোং প্রোভিন্সকী গুৱাংজৌদা পাকিস্তানগী মরিটাইম সেফটি ওথোরিটিদা শীন্নখিবা সিপ অদু অদুগুম্বা মখলগী অহুমশুবনি। মদু চাইনা সিপবিল্ডিং ট্রেদিং কম্পেনি লিমিটেদ (সি এস টি সি) অমসুং চাইনা ষ্টেট সিপবিল্ডিং কোরপোরেসন (সি এস টি সি) গী অমসুং চাইনা ষ্টেট সিপবিল্ডিং কোরপোরেসন (সি এস এস সি) সিজিয়াং সিপবিল্ডিং কো-লিমিটেদনা শাবনি।

মমাঙদা শীন্নখিবা সিপ অনীনা ভিজিট কয়া অমসুং এক্সচেঞ্জশিং, জোইন্ট দ্রিলশিং, মরিটাইম রেস্ক্যু অমসুং পাকিস্তানদা পাঙথোকখিবা অতৈ মিসনশিংদা নিংথিরবা পার্ফোর্মেন্স কয়া উৎখ্রে হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা পিপলস দেলিনা ফোঙদোকখি।

পাকিস্তানগী মরিটাইম সেফটি ওথোরিটিনা সিপশিংদুগী ক্বালিটি অমসুং চাইনিজ সিপ মেন্যুফেক্চরশিংগা নিংথিনা কোওপরেসন লৈনবগী ফীভমবু থাগৎখি। মেন্যুফেক্চররশিং অদুনা অফটর সেলস সার্ভিসশিং ফংহনগনি হায়নসু থাজবা পীখি।

## মালেমগী খ্বাইদগী অহল ওইরবী নুপী মশাগী চহী ১১৭ শুবদা লৈখিদ্রে



রোম, এপ্রিল ১৬ : মলেমগী খ্বাইদগী অহল ওইরবী নুপী অমসুং ১৯শুবা চহীচাদা পোকখিবশিংগী মনুংদা মতম শাংনা হিংলকখিবা অমত্তা ঙাইরবী নুপী এম্মা মোরানো থাংজ নুমিৎতা মশাগী চহী ১১৭ শুবদা ইটালিগী ভর্বানিয়া টাউনদা লৈবা মশাগী ময়ুমদা লৈখিদ্রে।

চহী ১১৭ কা নুমিৎ ১৩৭ নি হিংখিবা এম্মা মার্টিনা লুইজা মোরানো কুমজা ১৮৯৯ গী নবেম্বর ২৯ দা ইটালিগী টাউন সিভিয়াস্কোদা চহী শাংনা পুন্সিগনবা মীওইশিংগী ইমুং অমদা পোকখি। মহাক্কী মমা অমসুং মন্দোন চহী ৯০ হেন্না হিংখি অমসুং মহাক্কী মচে এঞ্জেলা চহী ১০০ য়ৌনা পুন্সিখি হায়না ঈফে ন্যুজনা হায়রি।

মহাক্কী মশুশিংনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না, মালেমগী লাঞ্জাউ অনী থেংনখ্রবা পোপ ১১ অমসুং ইটালিগী প্রসিদেন্ট ১২ খঙখিবা মোরানো তুন্নিঙৈদা ঈং-চিক্লা লৈখিদবনি।

'মহাক য়াম্না শিংথানিঙাই ওইবা পুন্সি মহিং অমদা হিংখি। মহাকপু ঐখোয়না মতম পুম্বদা অখাঙ কনবা পুন্সিগী থৌদাং কয়া লৌদুনা মাঙলোমদা চঙশিনবা অমসুং অৱা-অনা কয়া থেংননিংবগী ৱাখল চেনখিবগীদমক্তা নিংশিংদুনা লৈরগনি' হায়না ভর্বানিয়াগী মেয়র সিলভিরা মার্চিওনিনিনা হায়খি।

মতম শাংনা পুন্সিজরবসু মহাক্কী পুন্সি খোঙচৎ তশেংনা ইরায় লায়বদি ওইখিদে। মহাক্কী ইমুংগী মীওই পুম্ন মক হায়বদি মবুং-মৌপ্পা অমসুং মচে-মচল নিপানগী মনুংদা মহাক্লা খ্বাইদগী হেন্না মতম শাংনা হিংখি। অহানবা মালেমগী লাঞ্জাউ মনুংদা মহাক্কী বোইফ্রেন্দ শিখি অমসুং মদুগী তুংদা মহাক শাথিবা ফুগন- চৈগনবা নুপা অমগা লুহোংখি হায়না সিনহুৱানা লোকেল মিদিয়াগী ৱারোল পল্লদুনা হায়রি।

মোরানোনা শাথিরবা মহাক্কী মপুরোইবগা কায়নদ্রিঙৈগী মমাঙদা অমত্তা ঙাইরবা মহাক্কী মচা শিখি। মদুদগী মহাক শূ-নোমজদুনা মথন্তা হিংলম্মী অমসুং মশাগী চহী ৬৫ ফাওবা লিমোনগী ফেক্টরিদা থবক তৌরম্মী।

মহাক্কী পুন্সিগী খ্বাইদগী ঙক্লিংঙাই ওইবদি মহাক্কী চীঞাক্লি। মহাক চহী ১০ রোম ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী য়েরুম অহিংবা ৩ চাখি হায়রি।

## টর্কিগী রেফরেন্দম : প্রসিদেন্টতা অহেনবা পৱারশিং শীন্নবগী ৱাফমদা ভোট থাদনখ্রে



অঙ্কারা, এপ্রিল ১৬ : প্রসিদেন্ট য়েসেপ টায়িপ ইদোর্গানদা মখা তানা অনৌবা পৱার কয়া শীন্নখিগদ্রা হায়বগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌননবা পাঙথোকপা মরু ওইবা রেফরেন্দম অমদা টর্কশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ভোট থাদনখ্রে।

প্রসিদেন্ট ইদোর্গানবু শৌগৎপশিংনা হায়রি মদুদি, লৈবাক অসিদা চৎনরিবা পার্লিয়ামেন্টরি সিষ্টেম অসি ইগজিক্যুটিব প্রসিদেন্সিনা শিন্দোকপনা লৈবাক অসিবু মতমগা চূনহনগনি। অমরোমদা ওপোনেন্টশিংনদি খোঙথাং অসিনা রেজিমনা হান্নদগী হেন্না পৱার পায়দুনা তৌনিংবদা তৌবগী মওং হেনগৎলক্কনি হায়না কিরি।

প্রসিদেন্টতা পৱার হেন্না পীবগী ৱাফম অসিবু য়াদুনা ভোট পীবদা মায় পাকপা হায়বসিনা মহাক কুমজা ২০২৯ ফাওবা ওফিস পায়বসু য়াহনগদৌরিবনি।

সাউথ-ইষ্টকী পোল্লিং ষ্টেসন অমদা নোংমৈ কাপ্পগী পাউ ফংখি হায়রি। হুরিয়েট দেলি রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, দিয়াবাকির প্রোভিন্সতা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মীওই অনী শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা অমনা শোকখ্রে। ঈৱাং অদু তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল ৱাখলশিং চেনবা মীওইশিংগী মরক্তা মুক্করকপদগী থোক্লকখিবনি হায়রি।

লৈবাক অদুগী ইলিজিবল ভোটর মিলিয়ন ৫৫ না পোল্লিং ষ্টেসন ১৬৭,০০০ তা ভোট থাদগদবনি। ভোটকী রিজল্টশিং নোংমাইজিংগী অথেংবদা লাউথোক্লবা য়াই হায়রি।

ওপিনিয়ন পোলশিংনা প্রসিদেন্টতা পৱার হেন্না পীবগী ৱাফম শৌগৎফম 'য়েস' ভোটনা 'নো' ভোটতগী মার্জিন নেম্না হেন্দুনা মায় পাকপা য়াই হায়বসি উৎলি হায়রি।

রেফরেন্দম অসিদা মায় পাকপা তারবদি ইদোর্গানদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং হাপ্পবা, দিক্রিশিং ইস্যু তৌনবা, সিনিয়র জজশিং খন্নবা অমসুং পার্লিয়ামেন্ট মুথৎনবগী পৱারশিং পীগনি। অনৌবা সিষ্টেম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরগী থৌদাং লৈররোই অমসুং প্রসিদেন্টকী মখুৎতা পৱার অপুন্বা শীন্নদুনা ষ্টেট ব্যুরোক্রেসি অপুন্বা মখোয়গী কন্ট্রোল মখাদা লৈরগনি।

ইদোর্গাননা হায়রি মদুদি, মায় পাকখিদ্রবা কু এটেম্পকী মতুং অসিদা টর্কিগী সিক্যুরিটি চেল্লেঞ্জশিং য়েংশিন্নবা অমসুং মমাঙগী ঙাইহাক লৈতনা কায়গনবা কোলিসন গভর্ণমেন্টশিং লৈহন্দনবা অহোংবশিং অসি লাকহনবগী তঙাই ফদবা লৈ।

অনৌবা সিষ্টেম অসি ফ্রান্স অমসুং য়ু এসকী সিষ্টেমশিংগা মান্নগনি অমসুং মসিনা ঈৱাং থোক্লকপদা য়াম্না থুনা লাকশিনবা অমসুং পিছ পুরকপা ঙমগনি হায়না ইদোর্গাননা হায়রি।

## সিরিয়াগী বস কনভোয়দা চথখিবা কার বোম এটেক্তা মীওই ১২৬ শিখ্রে

দমাস্কস, এপ্রিল ১৬ : গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা লাঙ্গৈই চন্দুনা লৈবা টাউন অনীদগী সিরিয়ন কয়া হোন্দোরকখিবা বসশিংদা চথখিবা শাথিরবা সুইসাইদ কার বোম এটেক্তা শিখিবা মী মশিং ১২৬ য়ৌখ্রে। মদু চহী অমরোমসিগী মনুংদা থোকপা অসিগুম্বা মখলগী খ্বাইদগী শাথিবা থৌদোক্লি হায়না সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটস মোনিটরিং গ্রুপনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মোনিটরিং গ্রুপ অসিনা হায়খি, ফুৱা অমসুং কাফ্রিয়া হায়বা সিরিয়াগী নোর্দন টাউনশিংদগী হোন্দোরকখিবা মীওই ৯৮ থাংজ নুমিৎতা অলেপ্পোগী নোংচুপ্তা লৈবা ট্রান্জিট পোইন্ট অমদা বোম য়াওবা ভেহিকল অমনা মখোয়না তোংলিবা বসশিংদা হিট তৌবদগী শিখ্রে।

ব্লাষ্ট অদু ইরাই নুমিৎতা গভর্ণমেন্টকী লোয়েলিষ্ট লিশিং কয়া হোংদোকখ্রবা অল-রশিদীন এরিয়াদা লৈবা বস দিপো অমদা মীয়াম্না পুং কয়া চুপ্না ওপোজিসনগা চথবা ট্রান্সফর দিল অমা লোইশিনবা ঙাইরিঙৈদা থোকখিবনি। মফমদুদগী মিটর খরদমক লাপ্পা পার্কিংদা প্রো-রেবেলশিংগী এরিয়াশিংদগী মীওই চা কয়াসু গভর্ণমেন্ট ক্রুপশিংনা গার্দ তৌদুনা লৈখি।

থৌদোক থোকফমগী ফুটেজনা ফাইটরশিংগী য়াওনা বসশিংগী নাকলদা তাদুনা লৈবা অশিবা হকচাংশিং উৎখি। বস খরদি পুংকা কাখি অমসুং খরনা মৈ চাক্লগা লৈখি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা বৈ চাক্লিবদু মুথৎনবা হোৎনবগী শক্তমশিংসু ফুটেজ অদুদা উবা ফংখি।

ষ্টেট টিভি অল-ইখবারিয়ানা এটেক অদু রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা এরিয়াদা চাননবা তেংবাঙ পোৎলমশিং পুশিনবা চঙখিবা কার বোম অমনা থোকহনখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

## ত্রম্পকী টেক্স রিটর্নস মীয়ামদা ফোঙদোক্লবা তকশিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে




ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৬ : প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পদা মহাক্কী টেক্স রিটর্নশিং রিলিজ তৌনবা তকশিল্লদুনা মীওই লিশিং কয়ানা য়ু এসকী ষ্ট্রীট কয়াদা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্টশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ ওথোরিটিশিংনা ফাগৎখ্রে হায়রি।

প্রোটেষ্টরশিং অদু থাংজ নুমিৎতা কালিফোর্নিয়াগী বার্কিলিদগী ফাখিবনি। মফমদুদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী সপোর্টরশিং অমসুং ওপোনেন্টশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লরকখি হায়না ঈফে ন্যুজনা ফোঙদোক্লি। খুৎ থোক্লবদুদা মীওই মরিসু শোকখি।

মীয়ামদু তানখায়নবা অমসুং ফুনা-চৈনবদু লেপহন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা ট্যার গ্যাস কাপখি। মখোয়না মীওই কয়া থাং, হেলমেট, চৈতুপ অমসুং পিষ্টল অশাবগুম্বা অথিংবা থন্বা আইটেমশিং পায়রম্বা থেংনখি।

লোকেল ওথোরিটিশিংনা থাংজ নুমিৎতা ত্রম্পপু শৌগৎপশিং অমসুং মহাকপু য়াদবশিংনা দেমোন্সট্রেসন অনী শোয়দনা পাঙথোক্কনি হায়বা খঙখি। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্টশিংদি পিছফুল ওইখি হায়রি।

'টেক্স মার্চ' মুভমেন্ট কাঙবুনা অমেরিকানশিংনা মহৌশাদগী হৌনা টেক্স রিটর্নশিং ফাইল তৌনরকখিবা মতমগা চাননবা নুমিৎ য়ুংবা মতমদগী প্রোটেষ্টশিং হৌনবা খঙহনখিবনি। চহীসিগী ওইনদি এপ্রিল ১৫ অসি চয়োলগী অরোইবা নুমিৎ তাবা অমসুং নিংথৌকাবা নুমিৎ অসিনা ৱাশিংটনদা লোকেল হোলিদে অমা ওইবা মরম্না টেক্সপেয়রশিংনা লৈবাকপোকপা হায়বদি এপ্রিল ১৮ ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী রিটর্নশিং ফাইল তৌগদবনি হায়রি।

## য়ু এসকী টোপ সিক্যুরিটি ওফিসল অফঘানিষ্টানদা থুংখ্রে

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১৬ : সিক্যুরিটিগী ৱাফমশিংগী মতাংদা অফঘান লীদরশিংগা ৱারী শাননবা অমসুং গ্রাউন্দদা লৈরিবা অমেরিকান ক্রুপশিংগী ফীভম য়েংশিন্নবগীদমক্তা য়ু এসকী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর ঐচ আর মেকমাষ্টর নোংমাইজিং নুমিৎতা কাবুলদা থুংখ্রে।

য়ু এসকী মিলিটরি কম্মান্দরশিংনা হৌজিক অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা অমেরিকান ক্রুপ ৮,৪০০ রোমগী ষ্ট্রেংথ অসি হেনগৎনবা অহেনবা ক্রুপ লিশিং খরা হাপচিন্নবা আপিল তৌখিবা মতুংদা মেকমাষ্টরনা খোঙচৎ অসি চৎলিবনি।

অফঘান প্রসিদেন্ট অশ্রাফ ঘানিগী ওফিসনা মেকমাষ্টরগী কাবুল খোঙচৎ অদুবু তরাম্না ওকখি অমসুং অফঘানিষ্টানদা য়ু এসনা মখা তানা সপোর্ট পীবগীদমক্তা মহাকপু থাগৎখি। 'মসি য়ু এস-অফঘানিষ্টান মরীদা অনৌবা তাঙ্কক অমনি।

টেররিজম থেংনবা, অফঘান ফোর্সশিংনা খুৎলায় অমসুং ট্রেনিং পীবা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অফঘানিষ্টানদা তেংবাঙ পীবা হীরমশিং অসিদা মিৎয়েং থমদুনা খন্ন-নৈনগনি' হায়না প্রসিদেন্সিয়ল স্পোক্সমেন দাউদ খান মেনাপালনা ভি ও এদা হায়খি।

অফঘান দেপ্যুটি চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ জেনরেল সুরান অলি মুরাদনা মেকমাষ্টরনা কাবুলদা থুংলবা মতুং য়াম্না থুনা মহাক্কী লেঙমান্নবা হাফনী অটমারগা উনখি হায়বসি পাউমীশিংদা কনফার্ম তৌখি।

মুরাদনা হায়খি, অমেরিকাগী টোপ সিক্যুরিটি ওফিসলগী খোঙচৎ অসিনা ময়াম পুন্নকী য়েক্লবা টেররিজমবু মায়থীবা পীবদা অফঘানিষ্টানগী মীচংশিংনা কন্না শৌগৎলি হায়বসি উৎলি।

মেকমাষ্টরগা অফঘান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিংগা ৱারী শাননবসু থৌৱাং তৌরে হায়না মুরাদনা ফোঙদোকখি অমসুং অফঘান সিক্যুরিটি ওপরেসনশিংদা মতেং পাংনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ক্রুপ মশিং হেনগৎহল্লগনি হায়খি।

য়ু এস মিলিটরিনা পাকিস্তানগা লোন্নবা ইষ্টর্ন নঙ্গারহর প্রোভিন্সতা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটকী ষ্ট্রোংহোল্ডদা অমেরিকাগী খ্বাইদগী চাউবা নন-ন্যুক্লিয়র বোম শিজিন্নখিবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা য়ু এসকী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজরনা অফঘান খোঙচৎ অসি চৎলিবনি।




HL-B/3784/26/03-26/04


## ইস্লামিক ষ্টেটনা মোসুলদা ক্লোরিন গ্যাস এটেক হৌখ্রে

বাঘদাদ, এপ্রিল ১৬ : মোসুল সিটিগী নোংচুপ থংবদা নৌনা লিবরেট তৌবা এরিয়া অমদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংনা গ্যাস এটেক চথবা হৌখ্রে হায়না ইরাকি মিলিটরি ওফিসর অমনা হায়রি। ঙসি এন্টি-টেররিজম ফোর্সশিংগী ওফিসর অদুনা ফোঙদোকখি মদুদি, এটেক অদু হৌখিবা অহিংদা অল-অবার নৈবরহুদতা আই এসনা ক্লোরিন য়াওবা রোকেট অমা কাপ্পগা লোয়ননা হৌখিবনি। এটেক অদুনা মরম ওইদুনা লান্মী তরেৎ শ্বর হোনবদা প্রোব্লেম কয়া লাকখি অমসুং মখোয় অনকপা ফিল্ড ক্লিনিক অমদা লায়কন্নখি। হৌজিক য়ু এসনা শৌগৎপা ইরাকি ফোর্সশিংনা মী হেন্না চিনবা মোসুলগী নোংচুপ থংবা তম্ভায়দা আই এসকী মিলিটেন্টশিংগা লাল শোক্লরি।

মোসুলগী নোংচুপ থংবা শরুক্কী তম্ভায় অমরোমদি অমুক হন্না লৌশিল্লে হায়না ইরাকি ওফিসলশিংনা য়েংদোকখ্রে।

## /EMPLOYMENT NEWS

### UPSC Recruitment – Union Public Service Commission – 179 Assistant Commandants Vacancies – Last Date 05 May 2017

**UPSC Recruitment 2017**
Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of 179 Assistant Commandants (Group A) in the Central Armed Police Forces (CAPF) viz. Border Security Force (BSF), Central Reserve Police Force (CRPF), Central Industrial Security Force(CISF) and Sashastra Seema Bal (SSB). Apply Online before 05 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 08/2017-CPF
**UPSC Job Details :**
Post Name : Assistant Commandants (Group A)
No of Vacancy : 179 Posts
Pay Scale : Not Specifies
**CAPF wise Vacancies :** BSF : 28 Posts; CRPF : 65 Posts
CISF : 23 Posts: SSB : 63 Posts
**Eligible Criteria for UPSC Recruitment :**
Educational Qualification : Candidate must hold a Bachelor's degree of a University incorporated by an Act of the Central or State Legislature in India or other educational institutions established by an Act of Parliament or declared to be deemed as a University under Section-3 of the University Grants Commission Act, 1956 or possess an equivalent qualification.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 20 to 25 years as on 01.08.2017
Age Relaxation : For OBC Candidates 3 years & For SC/ST Candidates 5 years
**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection will be based on Recruitment Test & Interview.
**Application Fee :** The candidates are required to pay a fee of Rs. 200/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST/Women candidates who are exempted from payment of fee.
**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in from 12.04.2017 to 05.05.2017 till 18.00 hrs thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 12.04.2017
Last Date for Submission of Online Application : 05.05.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/sites/default/files/Notice_CAPF_2017_Engl.pdf
**Apply Online :** https://upsconline.nic.in/mainmenu2.php

### PNB Recruitment – Punjab National Bank – 45 Manager (Security) Vacancy – Last Date 06 May 2017

**PNB Recruitment 2017**
Punjab National Bank (PNB) invites Application for the posts of 45 Manager (Security) in the officer cadre. Apply before 06 May 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**PNB Job Details :**
Post Name : Manager (Security)
No. of Vacancy : 45 Posts
Pay Scale : Rs.31705-45950/-
**Eligibility Criteria for PNB Recruitment :**
Educational Qualification : Bachelor's degree from any University recognized by Govt. of India and An Officer with 5 years Commissioned Service in Indian Army/Navy/Air Force OR A Gazetted Police/Para Military/Central Police Organization's officer not below the rank of Assistant Comdt.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum and maximum age limit is 21 to 35 years as on 01.01.2017
**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection will be made on the basis of Personal interview.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.50/- for SC/ST Categories and Rs.300/- for all others through cash, at any branch of Punjab National Bank by Cash voucher.
**How to Apply PNB Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with cash voucher & supporting documents (i.e. relevant copies of Educational & Experience certificates) send by Speed/Registered post to Chief Manager (Recruitment Section), HRM Division, Punjab National Bank, HO: 7, Bhikhaiji Cama Place, New Delhi-110607 on or before 06.05.2017.
**Important Dates to Remember :**
Opening Date for Downloading the Application form and cash voucher : 15.04.2017
Closing Date for Downloading the Application form and cash voucher : 01.05.2017
Last Date For Submission of Application form : 06.05.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement, Application form and cash voucher Link : https://www.pnbindia.in/Recruitments.aspx

### BSF Recruitment – Border Security Force – 21 Junior Engineer/Sub Inspector (Electrical) Vacancy – Last Date 30 Days from the Date of Publication in Employment News

**BSF Recruitment 2017**
Border Security Force (BSF) invites application for the post of 21 Junior Engineer/Sub Inspector (Electrical)' Group-B, Non-Ministerial. Engineering (Electrical) (Combatised). Apply before 30 Days from the Date of Publication in Employment News. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**BSF Job Details :**
Post Name : Junior Engineer/Sub Inspector (Electrical)
No. of Vacancy : 21 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4200/-
**Eligibility Criteria for BSF Recruitment :**
Educational Qualification : Pass three years Diploma in Electrical Engineering frorn an Institute recognized by the Central Govemment or State Covemment.
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 30 years as on last date of receipt of application.
Age Relaxation : SC/ST Candidates 5 years & OBC Candidates 3 years
**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection will be based on written Test, Physical Standard Test (PST), Physical Efficiency Test (PET), Interview & Medical Examination.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 200/- through Demand Draft/ Postal Order in favour of the addressee to whom the application is addressed, payable at respective SBI/ Post Office at the location or nearby station. Women/ SC/ ST & BSF Candidates are exempted from the payment of application fee.
**How to Apply BSF Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with Self-attested copies of relevant documents, three recent passport size photograph, DD/IPO & two self addressed envelope of size 25 x 12 cm with postal stamp worth Rs. 40/- each send to relevant centers as per official Notification on or before 30 days from the date of publication in Employment News.
**Important Dates to Remember :**
Date of Publication : 12.04.2017
Last Date for Submission of Application : 30 days from the date of publication in Employment News
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://bsf.nic.in/doc/recruitment/r49.pdf